ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ২৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৭২শুবা মশীং

# মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দ মুখৎতোইরা, হিংহন্দোইরা

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এনভাইরনমেন্ট অমসুং ফোরেষ্ট লোয়শঙশিংগী য়াম্না মরু ওইবা থৌদাংশিং পাঙথোক্কদবদগী পাঙথোক্তুনসু লাক্লিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দ (এম পি সী বি) দা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিবু বোর্দ অসি মরূ ফংনা মুখৎলগে হায়বগীরা নৎত্রগা হেন্না মশক-মচু থোক্লা লৈহন্নবগীরা? মরমদি হৌজিক ওইরিবা বোর্দসিগী ফীভমসিদি তশেংনমক য়েংহৈদ্রে হায়বগী ফীভমদুমক য়ৌনা শোকচিল্লে। মাইবনা খূৎ থারবা অনাবগী ষ্টেজদু য়ৌরক্কদৌরে। তাঞ্জাসিদা মপুকচেল খরা শেংবা, বোর্দ অসিবু থৌওইনা হিংহন্দবা য়াদে হায়বা মরী লৈনবা ওথোরিটি খরনা থিন্থদনা চংশিল্লক্তুনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং প্রপ-প্রপ পায়খৎহৌদ্রবদি বোর্দ অসিসু অদুঙৈ মণিপুর ষ্টেট রোদ ত্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (এম এস আর টি সী) না ঈয়াইদা তাকখিবা কোঙ্গোলদৌনা উনা-উনা তুমখিবগী ফীভমদুদা শোয়দনা তারক্লগনি। মসিদি চুমদে, বোর্দ অসি পুম্মুৎ মুখৎপা অফবা থবক ওইরক্লোই। অদুবু বোর্দ অসিদা য়ামখ্রবা মীওই ১০৭পু তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংদা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা (এপ্রুভেল) সু য়াওদনা হেক্তা হাপচিল্লল্লিবা করিগীনো? মীওইশিংসি অমত্তা অনীদসু নত্তে। থেঙ্খাং নাইনা পংহাপ্তা হাপচিল্লম্বনি। বোর্দসিগী মথৌ তারকপদগী তঙাইফদনা হাপচিন্দবা য়ারক্তদুনা হাপচিনগদবা ওইরবসু বোর্দসিগী মেম্বরশিংগী রিজোল্যুসন অমা চঙই। হাপচিনগদবা অনৌবা মীওইশিং অদুদা খূৎশিন্নদুনা পুহনগদবা পোষ্টশিংদু হান্নদগী লৈজরকপা ওইরগদি ফরে। অদুবু লৈত্রিবা পোষ্টশিং ওইরগদি মাঙজৌননা ওফিসল ওইনা ক্রিয়েসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। হাপচিন্নিংলিবা অনৌবা মীওইশিংদু হাপচিনবগা মরী লৈনবা ফাইল প্রোসেস তৌদুনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদগী কম্মেন্ট/সজেসন অমসুং অয়াবশিং লৌরগা হাপকদবনি। মসিগী মথক্তা গভর্ণমেন্টকী এপ্রুভেল লৌগদবনি। মরী মখোঙ শেংনা হাপকদবনি।

অদুবু হায়রিবা তঙাইফদনা তৌফম থোকপা অমসুং পাঙথোকফম থোকপা তঙাইফদবা প্রোসেসশিং অসি তৌদনা, য়াওদনা খূৎচাও থাদুনা হাপচিল্লুবদগী হৌজিক করি শারে? কুমজা ২০১৮গী তোঙান তোঙানবা থাশিংদা মান্নদবা পোষ্টশিং থিদোক্তুনা হাপচিনখিবশিং শুপ্নতগী থা ১/২গী তোলোপ পীরম্লগা হৌজিক ফাওবদা মখা তানা পীবা ঙমদ্রে। গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা হাপচিনখিবা ঙাক্তা ওইবদগী হাপচিনবিরবা ষ্টাফশিংদুগী থাগী খূৎশুমল পীবা ঙমদবনি। অদুবু মসিনসু লোইদ্রি। হান্না হাপচিনখিবা অনৌবা মীওই ৫৫ ফাওবগী তোলোপ ফংহনবা ঙমদনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ইনৌ-নৌনা মীওই ৫২ অমগসু হাপচিল্লুবগী ৱাথোক লৈরক্লি। অদুগা অকোনবা তাঙ্কক্তা হাপচিনখিবা মীওইশিং অসিগীদি পোষ্ট ক্রিয়েসন তৌদ্রিবসু য়াওরে হায়বগী মথক্তা মখোয়না এপোইন্টমেন্ট ওর্দর ফংলবনি হায়দুনা ওর্দরশিংদু পায়রগা সর্ভিসতা জোইন তৌবা লাক্লরগনি হায়দুনা বোর্দসিগী জোইনিং ওফিসরশিং কোইরোৎ লোৎতুনা লৈনরে হায়বগী ৱাফমসু থোরক্লি। পূম্নমকসিগী মথক্তা অকোনবদা পীখিবা এপোইন্টমেন্টশিং অসিগী মনুংদা খরদি ‘বেক দেটেদ’ তা পীবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দরসু য়াওরে হায়বগী ফীভম লৈরক্লি। মসি পূম্নমকসিবু লৈঙাকসিগী মখাদা চলাইরিবা মরু ওইখ্রবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দমক্তদা থোকহনফম থোকপা থবকশিং ওইহনগদ্রা হায়বনি। পাঙথোক্লগদবা অনৌবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী জেনরল ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লকপসিদা অতৈ লোয়শঙ/কোর্পোরেসন/বোর্দ/এজেন্সীশিংদসু খুরুপ থাদুনা হাপচিন্নরক্লে হায়দুনা মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দসু কাও থাবদৌনা থাদোক্লব্রা? থৌওংসিদি লৈঙাক্কী অমসুং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী অচুম্বা থৌওংশিং ওইরোই। মানা মানা থোকপনি হায়দুনা কুম্মৈদৌনা য়েংদুনা লৈথোকপসু চুপ্লোই। মসিনা হিংনবগী লানফমদা পান্থে ওইজনবগীদমক লাকচবা মীওইশিং অদুগী মরাইবক করি ওইরক্কদৌরি? মখোয়গী করিয়র শীংকুপ শানা য়ানখাইরগা মাঙহনবগী থৌদৌসিবু থোকহনবীফম থোকপ্রা? করিগী মখোয়দা লৌনম-নমথাক তৌবিরিবনো? হিংনবা পুন্সিগী উরুম থিরকপা হায়বসিদি হৌনবীনি, মহৌশানি। অদুবু লন্থীসিদা চঙশিন্নরক্লে, থোমজিন্নরক্লে হায়রগসু মখোয়গী মরক্তগী মখোয়দা খূৎশিন্নরক্কদবা পোষ্টশিংদুগা চানবা, মতিক চাবা মীওইশিংবু মখোঙ শেংনা তৌফম থোকপা প্রোসেস/ফোর্মেলিটিশিং তৌবীদুনা গভর্ণমেন্টতগী এপ্রুভেলগা লৌবীরগা নীংথিজনা হাপচিনবীবা য়াদব্রা? মখোয়গী মরক্তগী লো কোর্টকী মতেংগা লৌনরল্লবদি মখোয়দা এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং পীরুবা, পীবদা চেন্নবা ওফিসলশিং করোংচাক য়ুংলোইদবগী মরম লৈব্রা? থোরক্লিবা বোর্দসিগী থৌওংশিং চুমদে। ত্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি হায়বশিংসিগা শাগোন্নরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি নৎত্রবদি বোর্দ অসি লৌখৎপা য়াদনা মকুম তানা কিন্থখ্রগনি হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি ***“কৈথেল লুকোক”*** হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো?

২) **“কিশি”** হায়বা (২০১৬তা ফোঙবা) লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা ***“খুঙ্গংগী চিঠি”***হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) ***“ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্লি।”*** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***“লাইথুং মখাক লাইমন মচিৎ”***হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৈকায়-লৈকায়দা সলোন হাংনরকপদা থম্মোয়নুংগী থাগৎ ৱা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮৫

**জিতেন নামৈরাকপম**

“থবক্লা শুনীংদ্রিবা, ফজবনা শেৎনীংলিবা, অহাওবনা চানীংলিবা” ৱাহৈ খরসি মচা-মশুশিংবু ৱারকপদা অহল-লমনশিংনা তোয়না শীজিন্নবা ৱাহৈশিংনি। চুম্বসু চুম্মী। ইমুং-মনুংগী থবক-থনা অমত্তা য়াওনীংদবা মকেতা শেল্লগা, অহাওবতা চারগা লেনবা মীওই কোকথোং অমা লৈবজাৎনি। হায়রুরবসু কৈনোমদা ওন্থোক্লগা খুম্বা, মানা থোকপা অমা তৌরগা লৈবা, মমা-মপাদা দিপেন্দ তৌরগা লৈবা, শুগনি-নোমগনি খঙদবা নহা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। হায়রিবা থৌওং অসি খরা নুংঙাই-য়াইফবা, ৱাত্ত-পাদবা ইমুংশিংদা তৌগল্লি। অমরোমদা অরৈবা থবক অমা হেক্তা শুজরগে, থবক্লা লাইনীংনি খঞ্জবা নহা কয়াসু থোরক্তবা নত্তে। হায়রিবশিং অসিনা লৈত-লায়র, অৱা-অনাগী চৈথেং নংলবা ইমুংশিংদা থোক্কল্লি। মশাগী শেন্থোক লন্থী শেমজদ্রগদি মমা-মপা, মথক-থোংবশিংদগী মতেং লৌরগা পুন্সি চূপ্পা হিংবা য়ারোইদবা মরম্না মশাগী শেন্থোক লন্থী থিজবা তাবনি। মদুনা ইরোমদোম লেপচদুনা নীংতম্না হিংবা পুন্সিগী মহাউ ফংগদৌরিবনি।

থবক হায়রগা থবক মখল কয়া অমা লৈখ্রে। অদুনবু হায়নরিবনি শুবু শুনীংলবদি থবক্তি ৱাৎপা লৈতে। মীয়াম্না পাম্নরিবনা হ্বাইট কোল্লর জোবনি। হ্বাইট কোল্লর জোব, হুমাং তাদবা ওফিসকুম্বগী কা মনুংদা ফেন উংলিবগী মখাদা চে-কলম পায়রগা শুবা থবক খূৎশু। ফিরোল নান্না শেৎলগা চৎখ্রগা হেভি ৱর্ক শুরুবদা ওফিসকী মতম লোইরগা মশা নান্না অদুম্মক হল্লকপা মখলগী থবক অদুনি য়াম্না পাম্নরিবসি। থাগী তোলোপ কায়দনা ফংবা, থবক হেক চৎখিবদগী পেন্সন চৎত্রিবা ফাওবা লৈঙাক্লা নৎত্রগা জোব সিক্যুরিটি কম্পেনিদুনা থম্বীদুনা তোলোপ পীবগী মথক্তা এমপ্লোয়ীদুগীদমক মতেং পীবীবা। থা অমদা নোংমাইজিং নুমিৎশিংগী শোয়দ্রবা ছুটি। সেকেন্দ সেটরদেশিংগী ছুটি, জেনরেল হোলিদে, রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদেগী মথক্তা বন্দ, ব্লোকেদকী মতম-মতম্না পুরকপা ছুটি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। ছুটিশিংদুগী ৱাংমদা অমুক কেজুএল লিভ, অর্ন্দ লিভ, নুপী ওইরগনা অঙাং উনবগী মেটর্নিটি লিভকী থা ৬কী ওফিস শুংকা কাদনা তোলোপতি অদুম কায়দনা ফংবা অসিগুম্বা থবকপু তৌনীংদবা কনানো। হোয় কনাগুম্বা খরদি লৈঙাক্কী থবক তৌজরোই ওন্ত্রপ্রেন্যুয়র অমা ওইরগা মী ময়াম অমা থবক পীবিগে খনবসু লৈবতা নত্তে। অসিগুম্বা মখলগী নহা কয়াসু থোরক্লি। ফার্মিং তৌরগা, ইন্দষ্ট্রি তৌরগা শেল চাউনা চাউনা তানবা ঙম্বা কয়া থোক্লকখ্রে, থোক্লক্লি, থোক্লকখিগনি। মতমসিগী ওইনদি খ্বাইদগী ফবদি মদুনি। অদুবু মদুম্মক মীওইবা পূম্নমক্কী লাইবক্তা তল্লম্বদি নত্তে। হোৎনবা কনবা, মরাইবকসু ফবা মীওই খরখক্কী ৱানি। মীওই খুদিংমক্তা থোকউ হায়বা য়াদে। মীওইবা হায়বসি শিগনু, নারক্কনু হায়বা য়াদে। অনী অসি ঐখোয়দা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি থোক্লগদবা থৌদোকশিংনি। এমপ্লোয়ী মশা নারে, লায়েংবদা চঙখিবা শেল রিম্যুনরেসন তৌবা য়াবা। মশাদসু নত্তে, মমা-মপা, মতু-মচা নাবগী লায়েংবদা চঙখিবা শেল ফাওবদা অমুক হঞ্জিনবীবা লৈঙাক্কী থবকসি অমবু ফংলবদি য়ারে খন্দুনা লৌ, ইঙ্খোল য়োন্নরিবসিনি। মরম অসিনা মুসলিম অমনা হায়খিবা ৱা অদুম্মক তোয়না পন্নরি। ‘লৌদি তীল তাই, লৈঙাক্কী থবক্তি তীল তাদে।”

লৈঙাক্কী থবক তৌবা পাম্বা মীওইশিংগী মশীংদি নোংম-নোংমগী চহী খুদিংগী জর-জর হেনগৎলকই। মমা-মপানা মচা-মশুশিংবু লাইরিক-লাইশু তমহল্লিবসি হয়েং তুংদা মতিক চাবা মী অমমম ওইদুনা মীরক তিনবা ঙম্নবনি। অচৌবা শিনফম অমা পায়রগা মীয়াম মমাঙদা লেম্না, খুয়া তুশিৎননা পালহৌনবগীদমকনি। অদুনবু মচাশিংগীদমক্তনি হায়রগদি অরৈবা শেল, পাঙ্গল হৈথরগা খন্নবা ঙাক্তনি। মরম অসি লৈবনা অঙাংদুনা কাবক-কাবক মরোল থোরকপা হৌরকপদা এ ফোর এপ্পল, ৱান-টু-থ্রী ঙাংবা, চিনফা পুরকপদা হরাওজরিবনি। মখা তারকপা ওইনা রাইমসকী রিদম নাইনা শৈশক শৈরেং থিরকপদগী অমুক্তোইবা লোইরে মমা-মপানা হরাওজবা। ত্বিঙ্কল-ত্বিঙ্কল লিটর ষ্টার হাউ আই ৱন্দর হ্বাট য়ু আর, বা-বা ব্লেক শীপকী শৈহেক শৈদাদা মঙক ওইদ অমুক চেপ, য়েত্তা অমুক চেপ নোকচরিবনি/পেঞ্জরিবনি/হরাওজরিবনি। অসুম্না ক্লাস মথং মথং কারক্তুনা ক্লাস নাইন, টেনগী থাক য়ৌরক্লগদি থবক চিনবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকই। অয়ূক্কী, নুংথিলগী, নুমিদাংগী মচাগী ট্যুসন থিন্দোক-থিঞ্জিনগী, ঙাইথোক-ঙাইশিনগী মাঙলিবা লেবর, মতম খজিক্তগা নত্তে। মহানি। হোৎনবা য়াবা হোৎনরগা মতুংদা মেত্রিক্কী রিজল্ট লাউথোরকপদা মায় পাকপগী হরাওজবা, নুংঙাইজবা কয়া। নিংদোল পোম্নখিবা, নীংঙমদনা লোইখিবা, শাগৎলুবা আশা কায়নখিবা কয়া অমনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া কয়ানি। মেত্রিক লানখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী লুরবা তাঙ্কক্তি ক্লাস ত্বেলভকী এগজাম অসিনি। মসিগীদমকসু হোৎনবা য়াবা হোৎনগদৌরিবনি। অসুম্না মথং মথং লানখৎখিদুনা জেনরেল লাইন নৎত্রগা টেক্নিকেল লাইনদা চঙহনখ্রবা মতুং দিগ্রী, দিপ্লোমা, পোষ্ট গ্রেজুএট, পি ঐচ দি তৌথদুনা তম্বা য়াবা মহৈ তম্লুরবা মতুংদা মশানা তমজরুবা মহৈগা চানবা থবক ফংদবা মীওই লাখনা খুজিং ওইদুনা লৈরে। মণিপুরগী এমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জদা থবক থিরিবা, মীং চল্লবা মীওই লাখ ৮গী মথক্তা লৈরে। মসিগী মথক্তা মীং চন্দবা লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইদুনা লৈরিবনি।

মণিপুরগী বোসেমনা, কাউন্সিলনা, য়ুনিভর্সিটিনা চহী অমগী মনুংদা পুথোরল্লিবা মায় পাল্লবা মহৈরোয় ময়ামসিগী লাইবক্তি থবক ফংদবা হায়বসিনা ওইরে। অসুক য়াম্বা মহৈরোয়শিংবু লৈঙাক্লা থবক পীবা হায়বসিদি শুকওই হেক ওইররোইদবগী ৱানি। অদুননি লৈঙাক্লা তোয়না লাউরিবা নশানা নশাগী থবক পীজৌ। ফার্মিং তৌ, এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, পিসিকলচররোমদা মায় ওনশিল্লু লোন পীথরক্কে অসিনি। ফার্মিং তৌবা য়াবা লম অচৌবা লৈজদ্রগনা য়েন, ওক, ষণ, ঙানু লোয়যু শেন্দোং চাউনা ফংগনি হায়বসিনি। হায়রিবা শিনফমশিং অসিসু কান্নদবদি নত্তে অদুবু মায় পাকখিবসু খরতনি। ব্রোইলর য়েন লোয়বদা মতম অমদা শেন্দোং চাউনা ফংলম্লবসু হৌজিক্তি মচিঞ্জাক তাঙখৎলকপা অমদি মপান্দগী য়েন অচৌবা হোঙনা পুশিল্লক্তুনা য়োল্লকপনা মরম ওইরগা য়েন লোয়বা কান্নদ্রে হায়বগী ৱাফম লাক্লে। হৌজিক্লা অমুক মোদি গভর্ণমেন্ট অসিনা স্কিম মচা-মচা কয়া ত্রেনীং পীদুনা মানা-মানা পামজবা শিনফম থিদুনা থবক ফংহন্নবগী থৌরাং পায়খৎলক্লি।

পূম্নমক অসি তোঙান্না থমখ্রগা থবক ফংদবা নহাতনা পীক থল্লবা লমদম অসিদা ইকায় ইকিগী ৱা পূম্নমক থাদোক্লগা পোৎ চৈ থাংবা, খোঙউপ শেন্থা, শম ককপা লোকল মেন কয়া থোক্লক্লি। মসি তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি। মীগী মপোৎ হুরাল্লুবসু নত্তবা, ইশাগী থবক শুজবদা ইকায়নীংঙাই ওইদে হায়বসি হায়নদুনা লাক্লবা ৱাফমনি। খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজবদি লৈকায়-লৈকায় খুদিংদা শমককফম দুকান কয়া হাংনরকপসিনা মীয়ানচাশিংনা হাংবা শম ককফশিংদা চৎতুনা শম কক্লরম্বা অদুগী চাং শাথীনা হন্থখ্রে। ইশামকসু থা খুদিংগী অনকপদা লৈবা লোকলগী শম ককফমদা ককচরি। কাটিগী মহুৎ মেছিন্না শিল্লবনি, মতমসু চঙদ্রে, নানবসু হেল্লে। তৌবতবু শমককমল লুপা ৭০/৮০ লৌনরল্লিবা অসি হন্থদ্রগদি লুপা ৪০ লৌবা ময়াং শমককপদা ওইনা ককচরগে হায়নরকপসু য়াই। শমককমল চপ মান্নবা মমলদা লৌবনা ফগনি খল্লি। ●

# মীকপ থোরকপদা তিন অহুম্লক শীত্তোক্লগা মোন মথক-মখা ওন্থোক্কদবা মঙগী থৌদোক্লা তাইবঙদা থোক্লরবদা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

“নঙগা মাগা কনানা ঙম্মী হায়য়ু।”

“ঐনা ঙম্মী।”

“নচিন থীনু, নঙ মাবু কিদবরা?”

“কিবিদে, খুনাউবীনা কোৎলগা লংবদা আ কলিকতা য়ৌখিনি।”

অঙাং ওইরিঙৈ অপঙ থৌনাদা নুপী-নুপা খাক্তখৈ পঙফূদা ফূনরিঙৈ মতমগী ৱারীনি। ইথক থোংবশিংনবু থৌজিল্লবদি মখা থাবা ঐখোয়না মথোই কাবৈ চাংদুদি করিবু হায়রুনি। নোংমা ঐঙোন্দগী চহী হনবা ইচেশিং অমদা ফূনরো হায়না থৌজিনবনি তশেংবমক্তি অতোপ্পা ইবুংশিং ইচেশিং খরনা ঐঙোন্দা হংখিবা ৱাহংশিংদু। মতমদুদদি অশেংবদু খঙপোৎ নত্তেদো। ইথক থোংবশিংদুনগা ঐগী মীচঙদা তোংলপ লৈবদুনে, ইচেদুনগা মখা থাবা ওইবগী কাবক শাবকসু নুংশিবগুম তৌবজাৎনি, মামক্তি তূমিন্না অদুম্মক লৈজখি। মদুদা ঐদু কয়াদি ইশোং ফঞ্জখিবা। চীন্দা হায়বদুনদি পেনখিদে। ঐগী ইতিক ইথৌনা লিংজেলদু উৎনীংবগী ঈথক ঈপোম খূৎকাদুদি করিগবু চাংদম্নরুনি, শাথীনা কাখি হায়বসিখক নত্তনা। নেমথহনবা ঙমদ্রবা নাপলগী ঈথক ঈপোমদুদনি, ইচেগী মশমদু চিংদুনা লৌরংনরুবদু। মাগী মীচঙ ৱাৎলি খনবনরা নৎত্রগা মাবু উশিত্তে খনবনরা মপুক্লিং নুংশিরপ লৈরম্বজাৎনি ফন চোঙশিল্লক্লগা ঐগী শমদো ফোয়রগা লংহৎপদুদি। মদুদদি ঐসু কৈখোম থকপীদুঙায় হোত্তনা চোঙশিল্লি। ময়ামদুনা খূবাক খূরগা ***অঙাংবনবু ঙমদৌরা অমুবনবু ঙমদৌরা, লেঙ্গ জুই জুই জুই জুই*** হায়রগা হুইশেন খোংবও চোংবও অয়েংবা মখোয়দি কুম্মৈ অমা ওইবজাৎনি। ঐগী মীচঙ চঙবীগদ্রা খল্লুবনি, কনামত্তনা চঙবীরকখিদে। নুমিত্তু ঐবু মানা লাকথিরপ তৌখি। ঐনা কপ্পসিদি? কপ্না কপ্না ময়ামদুদা ঐনা লাউশিনখি, ***নপাগী লেঙ্গ জুই জুই।*** ময়ামদু ৱা লাউনা নোকখি। ঐনা পেঞ্জখিদবা শাউনীংখিবা ৱারৌখিবদুদি। অদো হেক্তমক কাউথোকখিবা, অমুকসু ফূনবা। ফূনবী খৎনবীসি ঐখোয়খক্কী ৱাঙাকসু নত্তে, মতমদুগী মচৎ অমগুম তৌরম্মী। অদুগী হায়রুরবদি হৌজিক মতমগী অঙাংশিংসে লৌশিংনা লাকহৎলে হায়বফাওবা য়ারে। তাইবঙ মীদি থম্বু থমখো হুই হৌদোং ফাওবা হেক উনবগা ঙংনরম্বা চোঙশিন্নরম্বদু তোকখ্রে, পুখম অমত্তদা চাক চামিন্নরে।

থায়না মতম অমা লৈরম্মী, শাহিং ঙাহিং চাবগী মচৎ। মদুদি মৈ শীজিন্নবা হৈত্রিঙৈ ৱানি, নোক্লরুবা য়াবা নত্তে। অমগা অমগা য়ৈনবা হাৎন শুনবগী থৌওং থৌচত্তি লেপখিবা কুইদ্রিবজাৎনি। লমদম অসিদা খুনশেম লৈশেমদুনা নিংথৌ পানবগী চৎনবী লৈরবা, লৈঙাক্কী ওইবা চৎন-কাঙলোন শেমদুনা, খুন্নাইগী অমসুং লাইনীং লিচৎ, নাৎ-কলচরগী চৎনরোলনা পুনশিন্দুনসু পাঙ্গল কনবনা অচুম্বা শকপগী মতম ওইবনা মীহাৎ মীপূনগী থৌওং অসি য়াম্না তোয়না থোক্লম্মী হায়বসি পুৱারীনা খুদম ওইদুনা লৈরি। তাবদা তুজুংবা থৌদোক্কী ৱারীনা পীক থল্লম্বজাৎনি। কাঙলূপ অনী লান শোক্লবদা লানঙম্বা কাঙবুনা মায়থীরবা কাঙলূপকী মীওইগী মঙক কক্তুনা পুরকপা ঙম্ববু লেমজনফম ওইরম্মী। মদুদসু নত্তনা চায়নবা হায়না খঙনবা পাঙ্গল অমদি থাঙ-তা মশান্নদা হৈবা শিংবা চাংদম্নবগী চাংয়েং অকিবগী মশকনি। মীশক অমগী তানা অতোপ্পা অমবু শোকহনবা ঙল্লবদি মায় পাকপনি লৌনবগা লোয়ননা মায়থীরবা মীশক অদুগী মঙক কক্তুনা লুখা থাবগী চৎনবী লৈরম্মী। কয়াদা তমথীখ্রবা মচৎনো! চৎনবী অসিগী পল্লোন মনুংদনি লমদম অসিগী খুমন চাখা মোইরেম্বা, হৈরেম খোংঙা খোঙতেকচানচিংবা অথৌবা মশীং থিঙমদবমখৈ লুরেন কেনখিবদু। কাঙলূপ অমগী মীওই অমনা অতোপ্পা কাঙলূপ অমগী লমখৈ লানশিল্লুবদা হেক্তমক হাত্তোকপজাৎনি। নিংথৌগী লৈমা মরক্তগী লমচত্তা অকায়বা লৈরেহায়না চিংনরবদি তরেংয়োৎনা লৱাই লেম্ফুদা য়ুংশিল্লগা হাৎলম্মী হায়বগা মরী লৈনবা ৱারীসু লৈ। লাইগী ওইবা থৌরমশিংদা মী ফাওবা ঈরাৎলম্মী হায়বসি পঙহায় হায়জিনবা নত্তে। মসি নত্তবা মীওইবগী মীনুংশি মরীক অমত্তসু পক্তবা মানবা থৌওং থৌচৎ য়াম্না লৈরম্বজাৎনি। পূম্নমক্তু ঙসিদি ৱারী ওইদুনা লৈরে। মমল য়াম্লবা মীওইবা মশেল মরক্তবু হেক উনবগা চোঙশিন চোঙশিন্দুনা য়ৈনবা, য়ান্থৎনবা, ককথৎনবা শাথীখ্রবা মচত্তুবু সুম শাংথনা লৈবা য়াব্রা?

ঙসিদি মালেমসে য়াম্না ওল্লে। ইরমদমসু অদুমঙায়, ৱাখল লৌশিং চঙখোনবা মীনা শৌ শারে। ৱাখল তাদবা খরনা মানা মানা থোকপা অপাম্বা অনীংবা পাঙথোক্লবা হোৎনরবসু অয়াম্বনদি হাৎন-তূপ্নববু তুংওইনরগা নুংশিবা তাইবঙপান অমা শেমগৎনবা হোৎনরিবা মতমনি। ঈং তপ্না হিংমিন্নসি, নুংশি চান্নবা লৈমিন্নসি হায়না লাউনরক্লিবা খোল্লাউসিবু ফাগি তাহল্লদ্রা? দেমোক্রেসি লৈঙাক লৈরবা লৈবাক অসিগী ভোটর ঐখোয়সে লম্মাংনবগুম তৌরিসিবু করিগীনো? ঐ ঐনা পামজবা মতিক চাবা লো মেকর অমা শোয়দনা ওইগনি খনবা মীশক্তুদা কিৎ হেক নম্বীরগা লোইরে। মদুদি নত্তনা ঐগী কেন্দিদেট, মাগী কেন্দিদেট হায়দুনা শিবা-নাবা খঙনদখৈ কাপ্নবগা, থিন্নবগা, ফূনবগা, য়ৈনবগা ফনা কুইখৎলক্লে তৌনরক্লিসি। নোংমৈ, থাঙ, চৈতুপ য়াওনরক্লে। মমল য়াম্লবা ভোটরসু তীল-কাঙ ওইনা উনরক্লিবসিবু হৌনরিব্রা? কনানা লানবা, কনানা চুম্বা খঙদোকপদা অরুবা অমা ওইশিল্লক্লে। লমন খুম্নবগী ৱাখল খল্লু হায়না ইথিল পীবা লাইমু ফত্তবা লৈরজাৎলা খঙদে। মথায় থায়না শারোয় ঙারোয়শিংনা মশানৌ উনবা চৎখিবা হেঞ্জুনহাবু হাৎখিবদু থাজ ৱারীনি হায়রবসু কিজবনা কৈনোমা তৌরিপোৎনি। লমতাগী থাংজ অহানবা নুমিত্তা শারোয় ঙারোয়শিংনা লৈরক মরি ফাংবদা তিল্লি হায়বগী থাজবদু ইকোকশিং অসিদগী পুমকোক কোকখ্রো হায়বদু য়াদনা লৈরিবনি। মৈনা পুমঙান ঙাল্লবসু নুমিৎসিমদি মপান ইপান থোকপদা খৌরপ খৌরপ তৌরিবনি। মসিদবু মীনা লাইমু তীলমুগী শক্তম লৌরকপসি থম্মোয় কায়নীংঙাইনি। হৌজিক্তি করি শারে, শিনবসু য়াওরক্লে। ফিমু শেৎপগী কলচর অসি মণিপুর শীনবা থুংনা শন্দোকখিদনবা ৱাখল খন্থবা মতম ওইরে। লৈঙাক্লসু লৌখৎফম থোকপা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। মীয়ামগী লুচিংবা ওইগনি হায়না থোকপীরক্লিবশিংনসু ইশা ইশাগী খোঙবুরোইশিংবুসু অফবা মায়গৈদা লাক্লনবা লমজিং লমতাকপীয়ু। মখূৎ মখূত্তা পায়বা খূৎলায়শিং ইমা লৈবাক্কী য়েক্লবশিংনা থৌওইনা উশিৎলক্তবা লানশীংনরকপা মতাংদা মায়রোং য়ানা লান্থেংননবা লুনা চেৎনা থমজিনহনবীয়ু। হৈরোক্তা থোকপা থৌদোক অমগা মরী লৈননা তাং কুনহুমদোইদা কেবিনেট মীফম ফমখ্রে। থৌদোক্তুদা চেন্নবনি চিংনবা খরসু ফাগৎখ্রে। মসিনা হাৎন-শুনবগী অকিবা পুম্মাঙ মাঙগদ্রা হায়বসিগী ৱাহংদি অদুম্মক লৈরি। টিকেট লাউথোরকপদনা কমদৌবা হায়বদুসু য়েংখিবা তারি। ঐখোয়সিসু য়াম্না ফত্তেদা। ইশানা ইশাবু খঙজদে। ইলেক্সন করিনো হায়বসু খঙজদে। লাইরিক লাইশু হৈবনসু পিক থল্লে। খঙগে হায়রবদি খঙবা য়ারবনি। অকি অখংনংবা নুংঙাইতবা মঙ মঙলবদি মীকপ থোরকপদা তিন অহুম্লক থাদোক্লগা মোন্দু মথক মখা ওন্থোক্লিপোৎনি। মদু তাইবঙদা থোক্তনবনি। হৌজিক হৌজিক থোক্লিবশিংসে মঙ ওইরম্লদি নুংঙাইখ্রনিদা! ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।